# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-03-2026)**

**বিজেপি (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা পন্দিৎ দিন দয়ার উপধ্যায়া প্রসিক্সান মহা অভিয়ান ২০২৬, ঙরাং ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

মোর্চা অমসুং জিলা থাক্তা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, দলগী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবী, কেন্দ্রগী হেভি ইন্দষ্ট্রি এন্দ ষ্টিলগী রাজ্য মন্ত্রি-ভুপাতি রাজ্ শ্রীনিবাসা বরমা, দল অসিগী মনিপুরগী প্রভারি-ডা: অজিত গোপচারে, মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এশিং-থোঙাম বিশ্বজিৎ, করাম শ্যাম অমসুং দিগাংলুং গাংমৈ য়াওনা দলগী মকোক থোংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসি গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌনা বি.জে.পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুগী মতাংদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-গ্রাস রুট থাক্তগী দলগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা অমদি সংস্থান অসিনা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী মতাংদা মায় পাকা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মহাকা হায়-অফবা লৈঙাক সাসন, শোত্থদুনা লৈরবা চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীশিং অমদি মীয়ামগী ওইবা দল অমা ওইহন্নবা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নখি। ৱাৎত-পাদবা, চাউখৎপা, শান্তি লৈবা মনিপুর অমা ওইরকনবগীদমক চোকথবা লৈতনা অমত্তা ওইনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌমীন্নবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

**রিমস(এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমসনা শিনদুনা ঙরাং হোস্পিতাল অসিগী ও.পি.দি. কমপ্লেক্সতা ৱার্ল্ড রিয়ার দিজিজ ডে পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, রিয়ার দিজিজশিংগী

মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খণ্ডহনবা, লায়নাশিং অসিগী মতাংদা ঙন্না খণ্ডদোক্তুনা লায়েংথোকপা অমদি পেসেন্টশিং অমসুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মতেং পাংবা হায়বসিনি। থৌরমদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিকুমার শর্ম্মা, হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ রেদিও দাইগোনিষ্ট অমসুং মেদিকেল সুপিরিনটেন্দেন্ট প্রোফেসার-এস. সুভাসচন্দ্রনচিংবা শরুক য়াখি।

ৱার্ল্ড রিয়ার দিজিজ ডে অসি চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২৮ দা পাঙথোক্তুনা মালেম শিনবদা লৈরিবা রিয়ার দিজিজনা নারবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংশিংবু লুনা চান্না তৌবীদুনা সমাজ অসিগী অমসুং হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা অককবা পাউ মতুং ইন্না থিবা হুম্বগী থবক চত্থদুনা শেল খায়বা অমদি হিংশাগী থৌওংশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাগেমপলি পনখা, ঙানপী থোং মমাংদগী কে.সি.পি. নোংদ্রেমখোম্বগী মীওই অমা ফাখি। নুমিৎ অসিমক্তা মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাংখৈ অয়াংপলিদগী মীয়ামদগী শেল খায়বনি হায়বা য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) গী মশানা মশাবু সেকেন্দ লেফটনেন্টনি হায়জবা মীওই অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা ফাখি।

মখোয়দগী মেগজিন অনিগা লোয়ননা পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবমা মরু ১৬ ফংলে হায়রি।

**বিরেন (এল)ঃ** ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিতি ফোর্স (সি.আই.এস.এফ) না হেরোইন

কিলোগ্রাম মরি গ্রাম ৮০০ রোম ফাগৎখিবা অদুবু বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং এম.এল.এ. নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মসি হৌখিবা মতম খরাদা খ্বাইদগী মশিং য়ামা ফাগৎখিবা দ্রগনি। মহাকা হায়-সি.আই.এস.এফকী পার্সোনেলশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু থাগৎপা ফোংদোকনিংঙাইনি অমদি এন.সি.বিনা কেস অদু খুদক্তা লৌখৎতুনা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎলকপা অসিনা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা মখোয়না হকচিন্না লৌই হায়বদু তাক্লি। শ্রী বিরেননা হায়-দ্রগ পুথোক পুশিনগী মায়োক্তা চংশিল্লিবা খোঙজং লেপ্পা লৈতনা চথখিগদবনি। ৱার ওন দ্রগ অসি মনিপুর অমদি লমদম অসিগী নহাশিংগী তুংগী পুন্সি কন্নবা অচেৎপা ফিরেপনি। মনিপুর অসি কৈদৌনুংদসু আইননা য়াদবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌফম ওইহল্লোইদবনি হায়না শ্রী বিরেননা মখা তাখি।

**এরোপ্লেনঃ** নোংচুপ থংবা এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দি.জি.সি.এ) না ফ্লাইট ওপরেটরশিংনা লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম কুপা য়েংশিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

দি.জি.সি.এনা থোকপা এদভাইজরি অমদা হায়-ফ্লাইট ওপরেটরশিংনা নোংচুপ থংবা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা লানগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা মখোয়না এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিন তৌবদা অথিংবা থল্লক্লিবা অসিগী য়েংলগা ইন্টরনেসনেল ইয়ার স্পেসকী চৎন-কাঙলোন ঙাকা চৎকদবনি। লান অসিনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা মফমশিং লান্দুনা য়ারিবমখৈ পাইদনবা দি.জি.সি.এনা হায়রি। মসিগী মথক্তা লান অসিনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং অমদি নেসনেল ওথোরিতিনা থোকপা এরোনোটিকল ইনর্ফোমেসন পাব্লিকসেন অমসুং নোটাম কুপা য়েংশিনগদবনি।

মিদল ইষ্টতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মুম্বাইগী ছত্রপতি শিবাজি

মহারাজ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা এরোপ্লেন কয়া কেন্সেল তৌখিবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরে হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটতা ঙরাং সিমি কন্দক্টর এসেমব্লি, টেষ্ট এন্দ পেকেজিং (এ.টি.এম.পি) শঙ্গাখ্রে।

সনান্দদা লৈবা মাইক্রোন সিমি কন্দক্টর টেকোলোজি ইন্দিয়া প্রাইবেট লিমিটেদতা এ.টি.এম.পি. অসি শঙ্গাদুনা ভারতনা সিমি কন্দক্টর শাবগী লন্থীদা অচৌবা পন্দুপ অমা য়ৌবা ঙমলে। সিমি কন্দক্টরগী পোৎলমশিং শাবা হৌবা অমসুং অতৈ মফমশিংদা থাদোকপা অসিনা ভারত্তা ইহান হান্না শাজবা সিমি কন্দক্টর মোমোরি মেদ্যুলস ওইরে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া এ.আই. সমিটতা ভারতনা এ.আইগী লমদা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু মালেমগী মীয়ামদা উৎথোকখি। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি চা অসি থাউনা চল্লাহরম্বা অদু হৌজিক্কী চহি চা অসিদদি মাইক্রো চীফনা অওনবা পুরক্লে। সিমি কন্দক্টর মীসন টু পোইন্ট জিরোগী মখা অমসুং অনৌবা অচৌবা প্রোজেক্ট তরা অয়াবা পীখিবা অসিনা পান ইন্দিয়া ইকো সিষ্টেম অসি সনানদগী নোইদা অমসুং অসাম ফাওবা য়ৌহনবা ঙল্লগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা মচাক মথুম শাজবগী থবক হেনগৎলক্লিবা অসিনা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ওটোবোবিলসকী পোৎলমশিংগী দিমান্দসু হেনগৎলক্লি।

**টেক্সতাইলঃ** কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রি-গীরিরাজ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিদা টেক্সতাইল ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাউখৎহন্নবা সরকার অসিনা অহেনবা লুপা কোতি লিশিং অমা মখায় হেন্না থাদরে।

মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা টেক্সতাইল ইন্দষ্ট্রিগী পোৎলমশিং মালেমদা

থাদোকপগী চাং দোল্লর বিল্লিয়ন ৮০০ য়ৌরে। ৱাফম অসি হরিয়ানাগী ভিৱানিদা লৈবা টেকিকেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্সতাইল এন্দ সাইন্সেসতা পাঙথোকপা গ্লোবেল টেক-টেক্সতাইল কনক্লেপতা মহাকা ফোংদোকখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা অতৈ লৈবাকশিংদগী গ্লাস ফাইবর টোন ২৫০ হেন্না পুশিল্লক্লি। মসি হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা শুংলগনি। অসিগুম্বা অখন্নবা ফেব্রিক অসি লাক্লিবা মতম খরা অসিদা য়ুম শাবা, এরোপ্লেন, ৱিন টরবাইন্দ অমসুং অপিকপা কারশিং শাবদা শিজিন্নগনি। মসিনা পোৎলমশিং অদু য়োৎতগী হেন্না মমল হোংহনবগা লোয়ননা অরুম্বগী চাং হন্থহনবা ঙম্লগনি।

মীফম অসিদা মালেমগী লৈবাক ১৪ গী টেক্সতাইল সেক্তরগী অখণ্ড অহৈশিং শরুক য়ারি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেসনেল ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসন কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। সি.এমনা জেনিমস মনুংগী লম্বী খুদক্তা শেমজিন্নবা হায়খ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ভুটানগী ফেষ্টিবেলদা মনিপুরদগী য়াওনা অইবা ৫৩ শরুক য়ারিবা হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ষ্টেটকী থাক্তা নেসনেল সাইন্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সনা লৈবাক পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

গভনরনা অমিত সাহ উন্নদুনা মনিপুরগী ফিভম পাউদমখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। রুল ওফ লো লৈত্রবদি দেমোক্রেসি লৈরোই, লোগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনগদবনি হায়বা জষ্টিস কোটিশ্বরগী ৱাফম অমসু পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাই ওইরি।

ঙামীশিংদা ইনোভেটিব ফারমস এৱার্ড ২০২৬ য়েন্থোকখ্রে হায়না সঙাই

এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংনা য়াওশং মনুংদা চৎনগদবা ত্রাফিক এদভাইজরি থোকখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ সসটেনেবিলিতিগী মতাংদা পোষ্ট গ্রেজ্‌য়েটকী কোর্স অমা হাপবা পান্দম থল্লিবা হায়বা পাউ অমসু বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

চিংখৈহুনবা পি.সিনা গভনর পোলো ত্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.এস. অমসুং ইজরেলনা ইরানদা লান্দখ্রে, ইরানগী দিফেন্স মিনিস্তর হাৎখ্রে, ইজরেলনা কাপ্পকপা বোমনা মী ৫১ শিখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।